# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 20-01-2025)**

## অকাশবানি ইম্ফালগী
## অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ
## (তাং ২০-০১-২০২৫, নিংথৌকাবা)

**কাইসি (এল) ঃ** মনিপুর বিধান সভাগী সদস্য অমদি হান্নগী মন্ত্রি এন. কাইসি রাজ্যগী থাক্তা মপুং ফানা ইকায় খুমবা উৎপগা লোয়ননা ঙসি লৈরোল চল্লগনি। লৈরোল চনবগী থৌরম মহাক্কী পোকফম সেনাপতি জিলাগী মখান খুনৌ ভিলেজদা পাঙথোক্কনি।

মহাকা লৈখিদবদা লমফেলপাৎতা লৈবা মহাক্কী ক্বাটরদা ঙরাং মনিপুর রাইফলসকী কন্টিজেন্ট অমনা গার্দ ওফ ওনর পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

ৱার্ক্স মন্ত্রি-গোন্দিাস কোন্থৌজম, ফোরেষ্ট মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎ, ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি-অৱাংবৌ ন্যুমাই, সি.এল.পি. লুচিংবা ওক্রম ইবোবী, এম.এল.এশিং অমদি অতৈ লুচিংবা লাক্তুনা মহাক্কী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

মহাক্কী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা ঙসি রাজ্য সরকারগী মখাদা লৈবা মহৈ লোইশঙশিং অমদি ওফিসশিং ছুতি তংখাই থাগনি।

এন. কাইসি, নেসনেল পিপলস পার্টিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট ওইরম্মী। মহাক তাদুবী বিধান সভা কেন্দ্রদগী ইং ২০১৭ তা অহানবা ওইনা কারক্তুনা ত্রাইবেল এন্দ হিলস এরিয়াজ অমসুং ফিজরিজকী মন্ত্রিসু ওইরম্মী।

মহাকা লৈখিদবদা, মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতানা অৱাবা ফোংদোরক্লি। সেনাপতি জিলাগী তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাহতি ওর্গনাইজেসনশিংনসু এম.এল.এ কাইসানা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোকরক্লি।

**ফেষ্টিভেল (এল) ঃ** নুমিৎ হুমি চথুরকপা ৪ শুবা মেগা চিলদ্রেন ফেষ্টিভেল তামেংলোং জিলাগী মিনি স্তেদিয়মদা ঙরাং লোইশিনখ্রে। চিলদ্রেন ফোর খৃাইস, নো চাইল্ড লেফ হায়বা ৱাখল্লোন্দা পাঙথোকখিবা ফেষ্টিভেল অদুদা অসামদগী লাকপা অঙাংশিং য়াওনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা অঙাং পুন্না লিশিং ১০ হেনবনা শরুক য়াখি অমদি মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবশিং উৎখি। ফেষ্টিভেল অদু খৃষ্টিয়ান ইদ্যুকেসন এন্দ লিতরেচর দিপার্টমেন্ট (আর.বি.সি.সি) অমদি তামেংলোং তাউন বেপ্তিস চর্চনা পুন্না শিনবনি। ফেষ্টিভেল অদু মাই পাকা পাঙথোকপা ঙম্বগীদমক মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা শিল্লি লাংলিবশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। সোসিএল মেদিয়াদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-অসিগুম্বা মেগা চিলদ্রেন ফেষ্টিভেল অমা পাঙথোক্কুনা অঙাংশিংবু নিংথিনা শেমগৎনবা অমদি মখোয় মখোয়গী অপাম্বা লম্বীদা চৎহন্নবা লমজিং লমতাকপীবগী খুদোংচাবা ফেষ্টিভেল অসিনা পীবা ঙম্লে।

**--সাউন্দ বাইট--(সিএম)**

**চান্দেল(এল) ঃ** অনাল কেথোলিক য়ুনিয়ননা শিনবা নুমিৎ মরিনি চথুরকপা অনাল কেথোলিক কনফরেন্স ঙরাং চান্দেলদা লৈবা অনাল খুলেন ভিলেজতা লোয়শিনখ্রে।

এস.সি.য়ুগী মখাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা চর্চ ৮ গী মীওইশিংনা কনফরেন্স অদুদা শরুক য়াখি।

**রিমস(এল) ঃ** স্বাছতা এক্সন প্লান ২০২৪-২৫ গী মখাদা স্বাছতা হেলথ কেম্প অমা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস রিমসনা শিন্দুনা বিষ্ণুপুর জিলাগী কুম্বী রিলিফ কেম্পতা পাঙথোকখ্রে। মদুদা, মীওই ৮৫ রোম

লায়েংখি অমদি হিদাক লাংথকশিংসু লেমা য়েন্থোকখি।

**কামজোং (এল) ঃ** কামজোং জিলাগী লৈবা রিহা ভিলেজদা নৌনা শেমগৎপা লুংগ্রেফুং গ্রাউন্দ মণিপুর বিধান সভাগী হান্নগী উপ-অধ্যক্ষা এম.কে.প্রেসো সিমরে অমসুং ইনফোর্মেসন সেন্তর ফোর হিল এরিয়াস মণিপুর (ইচম)গী চিফ এদভাইজর এন্দ রাজেন্দ্রোনা ঙরাং মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে। গ্রাউন্দ অসিদা তাংখুল জাতিগী অচৌবা থৌরম অমা ওইরিবা তাংখুল অজে কতমাওলোং কনফরেন্স কম স্পোর্টস মিট ২০২৫ হয়েংদগী পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ইচমগী চিফ এদভাইজর এন্দ রাজেন্দ্রোনা হায়-হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ফীভম অসিদা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা জাতি কাংলুপ খুদিংমকা অমত্তা ওইনা পুন্সিন্নদুনা লমদম অসিদা তংদু লৈতাবা অমদি শান্তি পুরকবা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে।

মণিপুর বিধান সভাগী হান্নগী উপ-অধ্যক্ষা এম.কে প্রেসো সিমরেনা হায়-ইচমনা মণিপুরগী চিংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চত্তুনা চিংগী অৱাৎ অপা কয়া য়েংশিন্দুনা লাকখি। অৱাৎ অপাশিং মতম চানা সরকারদা পাউদম্বগা লোয়ননা সরকারনসু অৱাৎ অপা কয়া মেনখৎতুনা লাকখি। উখ্রুল জিলাদা কৈথেল অমা লূপা কোতি ১০ চংনা সরকারনা শাবা ঙমখি। মফম অতৈদা স্কুল অমদি কৈথেলশঙ কয়াসু শেমগৎখি।

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি--**

**--সিগনেচর ট্যুন-- (গোং)**

**মীফম ঃ** ৮৫ শুবা ওল ইন্দিয়া প্রিসাইদিং ওফিসারস কনফরেন্স ঙসিদগী পাটনাদা হৌরগনি। নুমিৎ নিনি চথুগদবা মীফম অদু লোক সভা অধ্যক্ষ

ওম বিরলানা হৌদোক্কনি। হৌদোকপগী থৌরম বিহার লেজিসলেচরগী সেন্ত্রেল হোলদা পাঙথোক্কনি। অদুগা প্লেনারি সেসন্না বিহার বিধান সভাদা লোক সভা অধ্যক্ষ ওম বিরলানা সভাপতি ওইনা পাঙথোক্কনি।

বিহার বিধান সভাগী অধ্যক্ষ নন্দকিশ্বর যাদবনা হায়- ভারত সংবিধানগী চহি ৭৫ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা লেজিসলেতিভ বোদিশিংগী প্রিসাইদিং ওফিসারশিংনা শরুক য়াগনি। নুমিৎ নিনি চখ্থগদবা মীফম অসিদা পুন্না দেলিগেট ৩০০ হেনবনা শরুক য়ানবা পান্দম থল্লি।

**অশ্বিনিঃ** কেন্দ্রগী ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈষ্ণবনা সুইটজরলেন্দগী দাবোসতা ঙসিদগী হৌগদৌরিবা ৱার্ল্ড ইকোনোমিক ফোরম ২০২৫ দা শরুক য়াগনি।

থৌরমদুদা শ্রী বৈষ্ণবনা লৈবাক অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী মোদেলশিং উৎকনি। মহাক্কী খোঙচৎকী মাংওইননা মন্ত্রিনা খুন্নাইগী কাংলুপ খুদিংমক মরুওইনা চাউখৎপগী মায়কৈদা শোত্থহৌরবশিংগীদমক হোৎনরিবশিং অদুগী মতাংদসু ফোংদোকখি। মহাকা হায়-নুমিৎ মঙানি চখ্থগদবা থৌরম অদুদা পুমমক্কী ওইনা চাউখৎপা খুন্নাইগী অমদি দিজিটেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর চাউখৎহন্নবগী মতাংদসু কুপা খন্নগনি।

**মহাকুম্ভঃ** মহাকুম্ভ মেলাগী সেক্তর ১৯ দা ঙরাং নুমিদাং খঙহৌদনা মৈ হৌরকখি। অদুমকপু মফম অদুদা এন.দি.আর.এফ, এস.দি.আর.এফ অমসুং ফায়র সর্ভিসকী টিমশিং মতম চানা চংশিনবদগী চাওনা খুদোংথিবদগী কনবা ঙমহৌরে। অশোক অপন অমদি মীশি মীনাদি য়াওহৌদ্রে। হীরম অসিগা মরি লৈননা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা উত্তর প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি যোগি অদিত্যানাথকা টেল্লিফোনদা ৱারি শান্নখি। মুখ্য মন্ত্রিনসু হীরম অদু প্রধান মন্ত্রিদা

নিংথিনা পাউদমখি। মুখ্য মন্ত্রিনা মৈ চাকখিবা মফম অদুদা চত্তুনা হকথেংননা য়েংশিনখি। অৱাবা তারবশিংগী তেংবাং পীবগী থবক অয়ৌবী থাক্তা চথনবা মরি লৈনবশিংদা মুখ্য মন্ত্রিনা পাউতাক পীখি।

**জ্দোঃ** পুনেদা পাঙথোকপা সব-জ্নিয়র এন্দ কেদেদস নেসনেল জ্দো চেম্পিয়নশিপ ২০২৪-২৫ দা মণিপুরগী রোস্নিনা কে.জি.৪০গী কাংলুপ্তা সনাগী তকমান লৌখ্রে।

--**পাউ লোইজরে**--

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

সি.এমনা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতি অমসুং মণিপুর টেকিকেল য়ুনিভর্সিতিগী শেমগৎ শাগৎলিবশিং য়েংশিনখ্রে। ষ্টেট অসিগী ওইনা ইদ্যুকেসনগী লমদা অহোংবা কয়া লাকপা হৌরে-হায়বা পাউ মণিপুর নিউজকী অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা ইচেল এক্সপ্রেসতসু অহানবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

মণিপুরগী ইরাং অসিবু লোইশিনহনগে হায়রবদি ন্যুত্রেল ওইবা থার্দ পার্তি অমা মথৌ তাই-হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরগী লৈঙাক সেন্তরনা পায়রিব্রা ষ্টেটনা পায়রিব্রা চমমরে: শ্রীদার্দ ম্রিদুল-হায়বা পাউ সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

বলিগী হামেং ওইহনবা লেপ্পবতদা ৱারোইশিন লৈনি:

কোকোমি-হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি-পোকফম, পীপলস ক্রোনিকল, অমসুং সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদসু তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা অহানবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

ষ্টেটকী থাক্তা এন.কাইসিবু ইকাই খুমখ্রে, পার্তি পুন্দ্রবসু মহাক্কুম্না লুচিংবা লৈরবদি মণিপুর ইং তপকনি:ও.ইবোবি-হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংদসু ফোঙনরি।

মরিশুবা চিলদ্রেন ফেষ্টিভেল ২০২৫গী ওর্গনাইজিং কম্মিতিনা ফেষ্টিভেল অসিবু মপুং ফানা পাঙথোকপদা মতেং পাংবীখিবশিংবু তৌবীমল খঙবা উৎলক্লি-হায়বা পাউ মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

চিফ মিণিষ্টর বিরেন অমসুং মহাক্কী টিমনা জনুৱারি ২২ দা তামেংলোংদা চৎকনি হায়বা পাউনা তামেংলোং তাইমসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।